# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-09-2025)**

**রিমস(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী অনা লায়েংশঙশিং ঙসিদগী মহৌশাগুম হাংদুনা মথৌ তৌবা হৌরগনি।

রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ওইনা অনা লায়েংগা মরী লৈনবা খুদোংচাবা খুদিংমক ঙসি অয়ুক পুং ৮ দগী হাংলগনি হায়না ঙরাং টিচর এন্দ মেদিকেল ওফিসারস এসোসিয়েসন অমদি রিমসকী ওথোরিতিগা ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা পুরকখ্রবনি। মসিগা লোয়ননা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনা ঙরাংদগী লন্নাই অমদি য়ুমদা লায়েংবা য়াওনা পুমমক্তা অথিংবা থল্লম্বা অদু ঙসি অয়ুক পুং তরুক্তা লোয়খ্রে।

হৌখিবা নূমিৎ খরনি অসিদা রিমসতা অনাবা মীওই লৈখিদবগী ৱাহৌদা মীয়ামনা ডাক্তর তাথি তাওইনা তৌরম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতগী খোঙজং অদু চংশিনখিবনি। থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনসু হেলথ কিয়ার প্রোফেস্নেলশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা তকশিল্লদুনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিনখিবনি।

**গভনর(এল)ঃ** সম্পুরনাতা অভিয়ান সমান সমারো, ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা অথোইবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোক্লগনি।

রাজ্যগী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবা স্কিম অসিনা চাদা ১০০ মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা সরকারগী ওফিসারশিং অমদি ফ্রন্ট লাইন ৱাকরশিংবু পুকিং থৌগৎকনি। কুমশি চহিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি নিতি আয়োগকী এসপিরেস্নেল দিষ্ট্রিক্টশিং অমসুং ব্লোকশিংদা মীয়ামদা শক্তি পীবা, চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা মীয়াম পুন্না শরুক য়াবা অমসুং ওন

টরপ্রেন্যুয়রশিংবু মখোঙদগী হৌনা শেমগৎপগী ৱাখল্লোনদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। নিতি আয়োগনা খনগৎপা এসপিরেস্নেল দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা মনিপুরগী ওইনা চান্দেল জিলা য়াওরি অদুগা ব্লোকশিংগী মনুংদা চুরাচান্দপুর জিলাগী লমকা সাউথ অমসুং ত্ইবোং অদুগা চান্দেল জিলাগী চকপীকারোং য়াওরি।

**সেবা সপতহা (এল)ঃ** কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা তোঙান তোঙানবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী জেনরেল সেক্রেটরি-কেক্রেবম সরতকুমারনা হায়-শ্রী মোদিগী লমজিং মখাদা হন্দক্তা নৌনা চৎনবা হৌরিবা নেক্স জেনরেসন (জি.এস.টি) রিফোর্মনা মীয়ামদা থোংগৎলম্বা টেক্সকী পোৎলুম হন্থহন্দুনা পোৎলম কয়াগী মমল শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থহল্লে। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা ভারতপু মালেমগী চাউখৎলবা মকোক থোংবা লৈবাকশিংদা চাংদম বা ঙম্বগী থাক্তা পুখৎলকখ্রে।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল হৃষ্ট জিলাগী লমলাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নুঙ্গৌই মখা লৈকাইদগী কে.সি.পিগী কাডর অমা ফারে। ফারবা মীওই অসি লমলাই এরিয়াদা চথবা সরকারগী স্কিম অমদি প্রোগ্রামশিংদা অয়েৎ অপন পীবা, দুকান অমদি অতোপ্পা লোইশঙশিংদা কিহন খঙহনবদা চেন্নবা মীওই অমনি।

নাকল অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা ফোরেষ্ট ওফিসিএলশিংগা খুৎশমদুনা ঙরাং সেনাপতি জিলাগী অপ্পর অমসুং লৱার থাবুম ভিলেজকী এরিয়াদা দ্রোন শিজিন্নদুনা পোপী পান্বী থাব্রা হায়বদু য়েংশিনখি। মদুদা হেক্তর ১৩ রোমদা

পোপী থাবা থেংনবদগী খুল অসিগী চেয়ারমেনদা চেকশিন ৱাফম খঙহনবগা লোয়ননা পোপী পান্বীশিং অদু খুদক্তা য়ান্থৎনবা অমদি মতুংদা পোপী পান্বী থাদনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

মনিপুর পুলিনা ঙরাং গাড়ি থৌবদা ত্রাফিক্কী নিয়ম লানবা অমদি অতোপ্পা আইনগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা গাড়ি থৌরম্বা মীওইশিং ফাগৎতুনা চলান ৩৫ ককখি, লুপা লিশিং ৪৬ খোমগৎখি।

**এআর(এল)ঃ** ১৭ শুবা অসাম রাইফল অমসুং মনিপুর পুলিসকী অপুনবা খুৎপু অমনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা তেংনৌপল জিলাগী মনুং চনবা সিতা-তেংনৌপল লম্বীদা ওপরেসন চথবদা মশিং য়াম্লবা ডব্লিয়ু.ৱাই. টেব্লেৎশিং ফাগৎখ্রে।

আই.জি.এ.আর (সাউথ) কী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-অসাম রাইফলস অমদি মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অদুনা সিতা তেংনৌপল লম্বীদা ওপরেসন চথবদা চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা কেনবো মোটোর সাইকলদা লাকপা মীওই অমনা মহাক্কী বাইক অদু হুন্দোক্তুনা জঙ্গলদা চেনশিনখি। সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অদুনা বাইক অদুদগী পেকেট ৬০০ তা য়াওরম্বা চাউরাকা ডব্লিয়ু.ৱাই. টেব্লেৎ লাখ অমা লিশিং ২০ লোম ফাগৎখি। ফারবা নিশাগী পোৎলম অসি কৈথেলদা লুপা কোতি অহুম লাখ ৬০ রোমগী মমল ওইগনি।

**বিয়ার(এল)ঃ** ইম্ফাল হেদক্বাটরসকী এক্সাইসকা কাংবু, নোনে জিলাগী সি.এস.ও. লুচিংবশিং অমসুং নুপী লুচিংবশিংনা জিরিবামরোমদগী ত্রক অমদা পুদুনা লাকপা কেন বিয়ার চাউরাকা লিটর ২৪০ মাঙহনখ্রে।

কেন বিয়ারশিং অসি কৈথেলদা লুপা লিশিং ৭২ রোমগী মমল ওইগনি হায়রি।

**এৱার্ডঃ** ইং ২০২৩ গী ওইনা ৭১ শুবা নেসনেল ফিল্ম এৱার্ডকী তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিশিংদা মনা ঙরাং রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা য়েন্থোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী শকাইরবা এক্তর, দাইরেক্তর অমদি প্রদ্যুসর ওইরিবা মোহোন লালদা লেমজনিংঙাই ওইরবা বাবা সহেব ফলকে এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বি বৈসনোসু শরুক য়াখি। চহি অদুগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা ফ্যুচর ফিল্ম-বেষ্ট ফ্যুচর ফিল্ম এৱার্ড হিন্দি মুভি 'টুয়েল্ব ফেল' দা পীখ্রে অদুগা বেষ্ট হিন্দি ফ্যুচর ফিল্ম এৱার্ডনা 'কথল:এ. জেক ফ্রুদ মিস্তরি' না ফংখ্রে। বেষ্ট এক্তর এৱার্ডনা সরুখ খান অমসুং বিক্রান মাসি অমসুং বেষ্ট এক্ত্রেস এৱার্ডনা রাণি মুখর্জিদা পীখ্রে।

**নোং ঃ** কোলকাতাগী সুবরবন এরিয়াদা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং থুমজিন্দুনা মৈনচিংবা অমসুং ইরাকবগী থৌদোক্তা মীওই ৯ লৈখিদ্রে। নোংচুপ বেঙ্গোলগী খা থংবা শরুক্তা মতম শাংনা নোং কন্না চুবদগী মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখি।

কোলকাতাগী মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনবদগী রেলগাড়ি অমসুং পেসেঞ্জর বসশিং চেনবদা অপনবা থোকখি। মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিনা রাজ্য অদুগী মহৈ তম্ফমশঙশিং নুমিৎ নিনি ছুতি থাদোকখ্রে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

রাজ্যপালনা বেষ্ট ওন্টরপ্রেন্যুয়র অমসুং আমিয়াগী আউষ্টেন্দিং এৱার্ডশিং য়েন্থোকখিবা, রিমস হোস্পিতাল মহৌশাগুম ঙসিদগী থবক তৌবা হৌরগনি হায়বা অমসুং মসিগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

ওন্ত্রপ্রেন্যুয়রসিপ অসি ইন্নবগী লন্বী অমা ওইনা ওইবীগনু, লৈবাক শেম

বগী মীসন অমা ওইনা উবিয়ু হায়না রাজ্যপালনা বেষ্ট ওন্টরপ্রেন্যুয়র অমসুং আমিয়াগী আউট্‌ষ্টেন্দিং এৱার্ড য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোক ফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীরদুনা মনিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রিমসকী ডাক্তরশিংগী খোঙজং হন্দোকখ্রে, ঙসিদগী অনা লায়েংগী থবক চথ্থরগনি, হেলথ কিয়ার প্রোভাইদরদা ভাইওলেন্সকী থবক চথ্থরকপগী খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, নহারোলগী থৌদাং অমসুং হুইয়েন লানপাউদা তোঙান তোঙানবা মওংদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী ৫৬ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে। তুংলমচৎকীদমক মনিপুরগী কলচরেল হেরিটেজ য়োকখৎপা চংই হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক অমসুং হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্টরনেসনেল ডে ওফ চাইল্ড লেঙ্গোইজকী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী দিমান্দ কমিতিনা দিলিমিটেসনগী প্রোসেস লোয়শিনদুনা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী মীখল পাঙথোকপীনবা গভনরদা ঙরাং মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তমেংলোং টাইমতসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পাব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং লৈঙাক্লোন হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবগী পা দমদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমা খুৎয়েক পীনখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

অনৌবা জি.এস.টি. রিফোম অসিনা লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১৪০ রোমদা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়বা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবগী ৱাফম

নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হোস্পিতালশিংদা ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিং লেপখিবদগী পেসেন্ট কয়া অৱাবা মায়োকখি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নুঙবা কেন্দ্রগী এম.এল.এ. অমসুং হিল এরিয়া কমিতিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা দিংগানলুং গাংমৈনা জে.এন.ভি. খৌপুমগী অহানবা চহিগী সেসন হৌদোকখিবগী পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।